### চেলেঞ্জ কপ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# চজিং এফ সীনা ঈ আই এম আই গেম ভিলেজবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৬ :
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খোংমন ক্ষেত্রি লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈরিবা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ (অকাম্পাৎ) দা চথরিবা ১৯ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা চজিং এফ সীনা ঈ আই এম আই গেম ভিলেজবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, আর কে নিমাই (আই এ এস, রিটয়ার্দ) না থৌরম মপু অমসুং কম্মিস্নার ৱার্ক্স কে রাধাকুমার (আই এ এস) না মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা চজিং এফ সীদা রোল্লিং ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশীং ৫০ গী শেনফম পীখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ঈ আই এম আই গেম ভিলেজদা রোল্লিং ত্রোফি অমদি লুপা লিশীং ৩০ গী শেলগী মনা পীখি। টুর্নামেন্ট অদুদা ফ্যের প্লে তাখ্রবা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসতা রোল্লিং ত্রোফি অমদি লুপা লিশীং ৫, বেষ্ট প্লেয়র তাখ্রবা চজিং এফ সীগী কে ঐচ সনাতোন, টোপ স্কোরর তাখ্রবা ঈ আই এম আই গেম ভিলেজগী জাংমিনলুন, বেষ্ট ভেল্যুএবল প্লেয়র তাখ্রবা চজিং এফ সীগী দব্লিয়ু মোহোন, বেষ্ট ষ্ট্রাইকর তাখ্রবা ঈ আই এম আই গেম ভিলেজগী জাংমিনলুন, বেষ্ট মীদ ফিল্ডর তাখ্রবা চজিং এফ সীগী এস বুধ, বেষ্ট দিফেন্দর তাখ্রবা ঈ আই এম আই গেম ভিলেজ নেপোলিয়ন, বেষ্ট গোল কিপর তাখ্রবা ঈ আই এম আইগী থাংজমাংদা রোল্লিং ত্রোফি অমদি লুপা লিশীং ৩ গী শেলগী মনা পীখি।

ফাইনেল মেচ অদুদা চজিং এফ সী অমদি ঈ আই এম আই গেম ভিলেজ অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মেচ হেক হৌবগা ঈং তপ্না শান্নরকখি। ঈ আই এম আইনা মায়োক্নখিবা চজিং এফ সীগী মায়কৈদা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মখোয়গী ষ্ট্রাইকর জাংমিনলুন্না মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ঈ আই এম আইনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা চজিং এফ সীনা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখি।

মেচকী অয়াম্বা মতমদা চজিং এফ সীনা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবসু হেন্না ফংখি। মখোয়না ঈ আই এম আইগী মায়কৈদা অতৎ অখম লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু ঈ আই এম আইগী কিপর থাংজমাংনা সেফশিং তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌহনখিদে। চজিং এফ সীনা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা হাফ থাগদবা মিকুপ খরদা ঙাইরক্লবা মতম মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা মোহোন্না গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

টিম অনীনা হনবা লৈতনা এটেকশিং তৌনখ্রবসু অহেনবা গোল চনবা ঙম্মদনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমমম চন্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা চজিং এফ সীনা হেন্না টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা ঈ আই এম আইগী সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা অহেনবা গোলশিং চন্নবা হোৎনরকখি। ঈ আই এম আইসু মরক মরক্তা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চজিং এফ সীগী মায়কৈদা চঙশিনখি।

মখোয়না চঙশিনখ্রবসু চজিং এফ সীগী লিংলবা দিফেন্সতা বোক্না তম্না হাইজিনবা ঙমদনা লৈখি। চজিং এফ সীনা হনবা লৈতনা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। মখোয়না তৌখিবা অকনবা প্রেসর অমদা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা শাগোরনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

চজিং এফ সীনা মখা তাবা গোলশিং চন্নবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু ঈ আই এম আইগী কিপর থাংজমাংনা থিংখিদুনা গোল অমত্তা চলহনখিদে। ঈ আই এম আইসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবা ফংদনা চজিং এফ সীগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

মেচ অদুগী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা ঈ আই এম আইগী থাংতিনলালবু অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

### সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঃ

# এস টি টি (বি) সেক্তা, এফ সী য়ূম্নাম খুনৌ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ :
ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব তেলৌগী প্লে গ্রাউন্দদা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কম্মিটি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এস টি টি (বি) সেক্তানা এফ সী তেলৌ (বি) বু ২-০ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা ৱাই দি সী এল (বি) পুংদোংবম্বু ৭-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এস টি টি (বি) সেক্তা অমদি এফ সী তেলৌ (বি) অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা গোল চন্নবগীদমক এটেকশিং তৌনদুনা চঙশিন্নখি। বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নখিবা এস টি টি (বি) সেক্তানা গোল চন্নবগী খুদোংচাবশিং ফংখি।

মেচ হেক হৌখিবা ইকুই কুইদনা এস টি টি (বি) না মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২ চৎপা মতমদা সনানা গোল চনশিন্দুনা ১-০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থানা চৎখি। এফ সী তেলৌ (বি) সু গোল হন্দোক্ন বগীদমক মায়োক্নবা সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি।

মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৪ চৎপা মতমদা নোভেন্লনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। টিম অনীনা অহেনবা গোলশিং চন্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিন্নখি।

এস টি টি (বি) না এফ সী তেলৌ (বি) গী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা ভিমনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অহানবা হাফ ফাওবদা এফ সী তেলৌ (বি) না গোল অমা শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীনা অহেনবা গোল অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোলশিং চন্নবগীদমক এটেকশিং তৌদুনা শান্নখ্রবসু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদবদগী এফ সী তেলৌ (বি) না এস টি টি (বি) সেক্তাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।



অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌ অমদি ৱাই দি সী এল (বি) পুংদোংবম অনীনা শান্নরকখি।

টিম অনীগী পূক্নিং হুনিংঙাই ওইরবা মেচ অদুদা ৱাই দি সী এল (বি) না তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা সনামচানা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা লৈখি। এফ সী য়ূম্নাম খুনৌসু ৱাই দি সী এল (বি) না গোল চনখিবদগী তপথবা তৌদনা অকনবা শাফুদা ওপোনেন্টকী সাইদতা চঙশিনখি।

মখোয়না চঙশিনখিবা অথুবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৭ চৎপা মতমদা বিতম কুমারনা গোল চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা হনবা লৈতনা ৱাই দি সী এল (বি) গী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা ফজরবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১১ চৎপা মতমদা অজয়কুমারনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা লৈখি।

এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা মনম মনম তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা ঙৌবনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অহানবা হাফ ফাওবদা ৱাই দি সী এল (বি) না গোল অনী শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখিবনা মায়োক্নখিবা ৱাই দি সী এলগী মায়কৈদা তকখৎখি। ৱাই দি সী এলগীসু কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌগী সাইদতা চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা লকিসন্না গোল অমা চনশিন্দুনা ২-৩ দা লৈখি।

ৱাই দি সী এল (বি) না গোল চনখিবগী লৈতাদ্রবা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা অকনবা এটেক তৌদুনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখি।

মখোয়না চঙশিনখিবা অথুবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা অজয়কুমারনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখি।

এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা মখা তানা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী ৩৫ চৎপা মতমদা রোমিনা গোল অমা, বিতমকুমারনা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা গোল অমা অমসুং রোমিনা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ৭-২ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ৱাই দি সী এল (বি) সু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা ঙানবনা গোল অমা চনশিনখি।

মখা তানা ৱাই দি সী এল (বি) তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা সনামচানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখিদুনা ৪-৭ তা মায়থীহৌখি। মেচ অদুদা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌগী অজয়কুমারবু মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

হয়েং অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সী সৈজাং অমদি এস টি টি সেক্তা (এ) অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সী তেলৌ (এ) অমদি সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ শান্নগনি।

### তরাশুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৭

# জি দি সী থিনুঙ্গৈনা অমোফা মোইরাংবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৬ :
লোক্তাক পৱার ষ্টেসন, মণিপুরগী স্পোন্সর মখাদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা তরাশুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা জি দি সী থিনুঙ্গৈনা অমোফা মোইরাংবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱাই এ ভি এ কাংশোইবী মপাল অমদি টি ৱাই দি এ তৌবুল অনীনা ঙসি শান্নগদবা গ্রুপ এগী অনীশুবা গ্রাউন্দ মেচ অদু নোংচুবনা মরম ওইদুনা শান্নখিদ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা অমোফা অমদি জি দি সী থিনুঙ্গৈ অনীনা শান্নখি। জি দি সীনা মেচকী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। জি দি সীনা মায়োক্নখিবা অমোফা মোইরাংগী মায়কৈদা অকনবা চেলেঞ্জ তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু পাক হেক গোল চনবা ঙমখিদে।

অমোফা মোইরাংসু মায়োক্নখিবা জি দি সীগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা এটেম্পশিং তৌখি। টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা জি দি সীনা হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা অমোফাগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা বিক্রমনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচকী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবা জি দি সীনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবশিং ফংখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা অমোফাগী মায়কৈদা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা সুন্দরনা গোল অমগা চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অমোফা মোইরাংসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক্তা অরৈবা মতিক মথৌনা পুথোক্তুনা জি দি এসকী মায়কৈদা চঙশিনখি। অদুবু গোল চনবদি ঙমখিদে। জি দি সীনা মখা তানা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা পিটরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা লৈখি। অমোফাসু গোল হন্দোক্ননবা এটেকশিং তৌখ্রবসু কান্নবা ফংদনা জি দি সীগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুগী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা জি দি সীগী অমিট অমদি মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা অমোফাগী ধমেনবু অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

# মিথালি রাজনা আই সী সী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৫ না শাবা টিম লুচিংগনি

### বি সী সী আইনা ইন্দিয়াগী টিমবু হরাউ তরাম্না ফোঙদোকখ্রে




ন্যু দেল্লি, মে ১৬ :
ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লবা জুন ২৪ দগী জুলাই ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সী সী ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপতা ভেটরান বেটসমেন মিথালি রাজনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমবু লুচিংগনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী ওল ইন্দিয়া ৱিমেন'স সেলেক্সন কম্মিটিগী মীফম অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক মেম্বর ১৫ না শাবা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অমা খনগৎখি।

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বাদ্রেনিএল ইভেন্ট অসি ১১ শুবা এদিসন ওইরি। ইংলেন্দনা চেম্পিয়নশিপ অসি হন্দক্কা থারগা অহুম্লকশুবা ওইনা য়ূম্বু ওইরি।

ইংলেন্দনা কুমজা ১৯৭৩ অমদি কুমজা ১৯৯৩ দা চেম্পিয়নশিপ অসি য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০৫ সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোকখিবা লেমজনীংঙাই ওইরবা এদিসন অদুগী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী মীওই ১৫ না শাবা টিম মেম্বরশিং অদুদি মিথালি রাজ (কেপ্তেন), হরমনপ্রিট কৌর, দেদা কৃষ্ণমুর্থি, মোনা মেশ্রাম, পুনম রাউট, দীপতি শর্ম্মা, ঝুলান গোশ্বামি, শিখা পান্দে, ইকটা বিষ্ট, সুসমা বর্ম্মা, মান্সি জোসি, রাজেশ্বরি গয়াকৱার্দ, পুনম য়াদব, নুজহট পর্বিন অমদি শিমরিটি মন্দনানি।

অমরোমদা, হৌজিক সাউথ অফ্রিকাদা চথরিবা ৱিমেন'স ক্বাদ্রেঙ্গুলর সেরিজদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না উৎলিপা পার্ফোমেন্সপু বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

বি সী সী আইগী এক্টিং সেক্রেটরি অমিটাব চৌধুরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা হৌজিক চথরিবা ৱিমেন'স ক্বাদ্রেঙ্গুলর সেরিজদা পুৱারী শেম্বা ঙমখিবা অদুগীদমক ঐনা থাগৎলি। মখোয়না টুর্নামেন্ট অদুদা উৎখিবা ওল রাউন্দ শো অদুবুসু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎলি।

ঝুলন গোশ্বামিনা নুপীগী (ৱান দে ইন্টরনেসনল) টুর্নামেন্ট অদুদা খ্বাইদগী ৱিকেট লৌবা বোলর ওইখিবা অদুগীদমক্তসু ঐখোয়না অপেনবা পোকই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী ওপনর দীপটি শর্ম্মা অমদি পুনম রাউটনা ৱান দে ইন্টরনেসনলদা পার্টনরসিপ শেমদুনা রন ৩০০ লৌবা ঙম্বা অহানবা ওপনিং জুরা ওইদুনা পুৱারী শেমখিবনি।

জুরা অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাউথ অফ্রিকাগী পোটচেফসরুমদা চথরিবা ক্বাদ্রেঙ্গুলর সেরিজদা আইয়রলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা রন ৩২০ লৌদুনা অহানবা ৱিকেট ফাওবা লৈমিন্নখিবনি।

দীপটি অমদি পুনম অনীগী মায় পাকপা অসি নুপীগী ক্রিকেটকী রেকোর্দখত্তা নত্তনা নুপাগী রেকোর্দতগীসু হেন্না ফবা ওইখি। কুমজা ২০০৬ তা ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচতা উপুল থরাঙ্গা অমদি সনাথ জয়াসুরিয়ানা পার্টনরসিপ ওইনা রন ২৮৬ লৌখি। হায়রিবা অসিদগী দীপটি অমদি পুনগী পার্টনরসিপকী রন্না খ্বাইদগী ফবা ওইরি। অদুগা নুপীগী ও দি আইদসু অহানবা ৱিকেটতা পার্টনরসিপ শেমদুনা লৌখিবা রন অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা রনসু ওইরিবনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোক্সিং ত্রাইএল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ১৬ :
মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্না শিন্দুনা লাক্লিবা জুন ২৬ তগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইম্ফাল ৱেষ্ট বোক্সিং টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক ত্রাইএল সেলেক্সন অমা মে ২১ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী চেরোল অমনা ফোঙদারক্লি।

হায়রিবা ত্রাইএল সেলেক্সন অসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা বোক্সিংগী একাদেমি, ক্লব, ওর্গেনাইজেসন, স্কুল অমদি ইন্দিভিজুএল বোক্সরশিংনা মরী লৈনবা চহী তাকপা চে-চাংশিংগা লোয়ননা মতম চানা লাক্লনবা এসোসিএসন অসিনা খঙহল্লক্লি।

মসিগীদমক অকূপ্পা মরোল ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## শুটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ : মণিপুর রাইফল এসোসিএসন্না শিন্দুনা লাক্লিবা মে ২১ দগী ২৮ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা শুটিং রেঞ্জদা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। কম্পিটিসন অসিদা ক্লে পিঞ্জিওন ত্রেপ শুটিং ইভেন্টসু পাঙথোক্কনি। কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানিংবা থৱায় য়াওবা শুটরশিংনা মখোয়গী মমিংশিং মে ১৮ গী অয়ূক পুং ৬ তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা শুটিং রেঞ্জদা লৈবা ওফিসতা লাক্তুনা মমিংশিং পীশিল্লবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিদগী খঙলবসু য়াগনি হায়রি।

# মণিপুরনা গোৱাবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা পঞ্জাবগী জলন্দরদা চথবা হৌখ্রবা ২২ শুবা সেনিয়র ৱিমেন'স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী লীগ মেচতা মণিপুরনা গোৱাবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী টিম ২৬ না শরুক য়ারি। গ্রুপ নিপান খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরনা গ্রুপ সীদা তারি। মণিপুরগী গ্রুপ্তা তারিবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি কর্ণাটাকা, গোৱা অমদি অন্ধ্র প্রদেশনি।


মণিপুর অমদি গোৱা অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরগী গোলশিং অদু এন জি বালানা চনখি। অহানবা হাফতা মণিপুরগী বালানা গোল অনী চনখি। অদুগা অনীশুবা হাফতসু বালানা গোল অনী অমগা চনশিনখি।

মণিপুরনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা গোৱাগী গোল কিপর সান্দিস ফর্ণান্দেজনা মহাক্কী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা মণিপুরনা অহেনবা গোলশিং চনগদবদগী সেফ তৌদুনা মহাক্কী টিমবু গোল মার্জিন ৱাংনা মায়থীরমগদবদগী কনবা ঙমখি।

মণিপুরনা গোৱাগী মায়কৈদা অতৎ অখম লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী অহানবা হাফ থারমদাই মতমদা গোৱাগী সিন্থিয়ানা বোক্সকী মতোন্দা খূৎনা শোক্নুবগীদমক মণিপুরগী ফেবরদা পেনালটি অমা পীখি। পেনালটি অদু বালানা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা গ্রুপ এগী লীগ মেচতা কেরলানা দেল্লিবু ৮-০ দা মায়থীবা পীখি। গ্রুপ বিগী লীগ মেচতনা আসামনা কাজখষ্টানবু ১৮-০ দা মায়থীবা পীদুনা চাউনা মায় পাকখি। মণিপুরনা থা অসিগী ১৭ তা অন্ধ্র প্রদেশকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com